> “তশেংবদি নীংতম্বদি অমুক্না লোইহৌবা নত্তে।
> লোইবা নাইদবা খোঙচৎনি জাতি অমগী পুন্সিগী।” - এলাংবম নীলকান্ত (পুন্সিং লৈখোলগী অথুপ্পা)

শৈরেং

মৈচাকসে কোক্লবা

— চিঙ্গাংবম সঙ্গায়জাওবী

মালংব-ও! লিরি খোঙদোই হুল্লিবা
তম্লরো লাউনে ইচাগী মপাও
লান য়াওগনি চৎখিবা
লোইদাম কুইরে উরক্তবা
ইচাগী নুংশিবা চেংলৌ শক্তম।
	হাঙল মালংদা পাইরিবা লৈচিল-ও!
	উরমগনি নঙদি ইচানা লৈরিবা লমদম
	তম্বীয়ুকো নখোয় পুন্নমক্না ইচাদা
	খোয়রাংনা ঙাইহৌরি অপোকপী পলেমনা থোঙ্গালদা।
পামেল উসাদা তোংদুনা
চেক-চেক খোংলিবা চেক্লাচা-ও!
মুনা-মুনা য়েংবদি নঙনা
হায়যুগবা ইচাগী নুংশি মপাও তম্লিবরা?
	মালংবা নঙবু তম্লরো লাউনে
	লান য়াওগনি চৎখিবা ইচাগী মপাও
	হাঙল মালঙদা পাইরিবা লৈচিল-ও!
	উরমগনি নঙদি ইচানা লৈরিবা মফম
	কোকহল্লোগবা খৌরাংলবা থম্মোয় মৈচাকসে।

‘নুংশিবী যূম্না কপহৌই’

— নাওরেম মঙ্গি

নুংশিবী যূমনা কপহৌই
মমিত্তা ঈরা হৌনা
নুংঙাইতনা মুন্না য়েংলকই
থোঙজিন্না চৎখিনু খাল্লকই।
	যূমসে থাদোক্লিংদে ঐ
	শিরসু শিনীংই মফমসিদা
	নমদুনা চৎহনবীরে ইচাশিংনা
	ঐহাক শিখিদ্রা খন্দুনা।
ইবুধৌ অহুম্মক্কী থোঙ্গালদা
ইকোক নোন্না খুরুমজখি
অমুক হঞ্জরক্কে হায়জখি
মায়সি পিরাংনা চোৎলকখি।
	লাল্লকসিদা মথন্তা হুন্দোক্লম্লবা
	চৎপা ঙমদ্রবা যূমদো
	মিৎতা শং-শং উরকই
	মথন্তা কপ্তুনা লৈরম্মনি।
শেগাইরবা ঐগী খাংপোক্তো
ফুৱা দলান্না হেন্দবা
অৱা-নুংঙাই পোত্থাফম
স্বর্গগী লৈকোলনি ঐগীদি।
	কিন্থুরবা লৈবাক্কী ফল্লাং
	পোম্ফ্রীতনা শেল্লবা মোম্পাক
	নুংঙাইরবা মঙ মঙফম্নি
	কোনুংদগী হেনবা ইযূম্নি।

থাবলসু-জগোয়সু

— মোইরাংথেম কুলচন্দ্র

শ্রীকৃষ্ণনা জগোয়
শাই
	গোপ-গোপীশিংগা
শখিশিংসু
	জগোয় য়াওরি
ব্রজ বৃন্দাবন্দা
	যমুনা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা
জগোয় ঙাক্লি মহাদেবনা
	খুৎতা ত্রিশুল পায়দুনা
জুগায়-মধাইনা
	য়ু ঙাওরি
রাস লীলা গৌড় লীলাদা
	বসন্ত ঋতুনা লাকপদা
অঙম-অথৌনা
	থাবল চোংলি বঙ্গলোদা
সিফাই-থানা ঙাক্তুনা
	থৌবুনাইশিংনা
য়ু ঙাওরি
	আই এল পি মপাও লাকপদা
ভক্ত-বৈষ্ণব কয়ানা
	থাবল চোংই
লমজাও সড়ক্তা
	য়াইতোং-খমতোংবনা
শেল থাই
	আই এল পিগী
মপাওনা লাকপদা
‘অথেংবা অহিংগী মতমদা
	মমা ওইবী কয়ানা
মচা হল্লকপা ঙাইহ্রি
	খুৎতা মৈরা পায়দুনা।’

‘জিরো একাউন্ট’

— অঙোম ইবোমচা

জিরো একাউন্ট, জিরো একাউন্ট
শুন্যগী হিসাব, শুন্যগী হিসাব
হাংবীরিবা হিসাবনি মীয়ামগী
মতাৎ হৈবা তাৎহৈবনা
লৌনম হৈবা ঙাঙহৈবনা।
	থুরুরে লাংদা জিরো একাউন্টকী
	ফাখ্রে উচেক ময়াম লাংপুনা
	চহী ৫ চারুরে মপুক পেন্ন-পেন্না
	লৌনম হৈবা লাংথাকপনা।
লেপ্তে লাউবা শরূ পান্দবা লৈয়েংনা
পীবিনি হায়না লৌমীশিংদা তেংবাঙ
লুপা লিশীং ৬/৬ চহীগী ওইনা
ঙাক্লমই চহী অমদি লাউরুবগী ৱাশক
মখা তারকপদদি শুন্যগী হিসাব।
	লেপ্তে অমুকসু লাউবা
	হকশেলগী তেংবাঙ, হকশেলগী তেংবাঙ
	পীবিনি হায়না লায়রবা মীয়ামদা
	পীবিরি মীয়ামগী চাদা তরাগী চাংদা
	খোঙলোই ওইরবা অঙন্নবশিংগী।
লেমহৌরিবা মীয়ামগী
চাদা ৯০গী চাংদদি
থম্মোয়দা খুদুমশিং
চিনবান্দা তকশিশোন
লেল্লি চাক্লা চাক্লা মপূন্সি
ওইরি মখোয়দদি পূন্নমক
জিরো একাউন্ট, শুন্যগী হিসাব।

অচৌবা চীংজাও

— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

অচৌবা চীংজাও অসিনা
মাংদা লেপ্লদুনা য়েংলি
মালেম লৈশেম-লকঙৈদগী
খুন্দা লৈতারদুনা লৈরিবা
সহর অসিগী মশক।
ঈশিংতনা ঈমায় চোন্না লৈরম্বা
নোংম-নোংম ময়েং তাখিদুনা
খুন্দা লৈতারকখিবা,
ঙসিগী সৈভ্যতগী হোংলক্লিবা কয়া
মীরোল অমা লোইখিদুনা
অনৌবা মীরোল অমনা অমুক শিনখিবা
য়েংলি চীংজাও অসিনা লেপ্লদুনা।
নিংথৌরোল কয়া মথং-মনাও
নাইনা চৎখরে, নিংথৌ মচাশিংগী
নুংশিনদবদগী থোকখিবা লাঞ্জাও
অমা লোইখিগনি অমা অমুক লাক্কনি,
নোংজু নুংশা কয়াগী ৱারী
অরি অনৌগী কুম্মওন কয়া
ঙসিসু য়েংলি,
অচৌবা চীংজাও অসিনা
মাংদা লেপ্লদুনা।

তশেংলবরা

— ইরোম মোবি

মতেংনি খঞ্জে অয়েনবনা
য়াদবসু কোঙ্গাইনি
ফিজংনুংদা অমা লৈবনা,
ঙম্লি খঙদনা ঙাঙই
ঙম্লকখিদবনা য়াম্বনি
মীনমজৈ মশাবু ইকায়দনা খঙদবনা
পাংদবনি কাউথোকচৈ,
মীয়ামগী থৌগল তৌববু
শেঞ্জাও লৌনীংই থাগী
মসিনা তাক্লি শেংদবনা
অরানবনা লমজিংলি
খোঙনা চত্তে অৱালক্তা হিপ্তে
কোয়না লৈরি খুৎলায়না
তৌনীংদবনা ঙমদে
নহান্না অচুম্বা ফংলনি
লৈতারনি ইমাসু
অফবনা মশেক ঙানবগী
মনা হৈমাং মান্নদে।

শেন্দ্রাং

— এম নিলকুমারি

মচীঞ্জাক থিবা চৎখিবা
ৱাতোন উতোন খায়দনা
পাইথোক পাইশিন শান্নরুই।
পুনশিনবনা শিন্থানি
খোংলি চেক-চেক তাহল্লি নুংশিরবা খোঞ্জেল।
খঙহৌদনা য়া লাউনা পাইথোক্লকই
অহৌবা য়াক্লবা হেলিকোপ্টরগী মখোলদা।
পাইশিল্লকই লায়রবগী চরুনা কুপ্পবা
শাইজিনগী অহোবদা।
মখোয় মশেল শৈশক্লি
মখোল য়াক্লবা হেলিকোপ্টরনা পাইখ্রবদা
থৱায়নি শেন্দ্রাংগী কিজজৈ অয়াকপা খোঞ্জেল
লোৎলি ফল্লাংগী অহোবা অকায়বা কারক্তা
শেন্দ্রাংনি শেন্দ্রাং
অপীকপা উচেক মচা
থৱায়দি চপ মান্নে
নুংশিনৈ চান্নে অমনা অমগী মতুং ইন্নে
অপীকপা জীবসু মরোল খঙনে
শেন্দ্রাংনি শেন্দ্রাং অহোবা ফল্লাংগী
কাচিন্দা লোৎলিবা।

‘থম্মোয়সিনা য়ানীংদনা’

— রাজকুমারি মীনা

অৱাংবা লোয়বী চীংদোল খুদিংমক
অকুৎপা মফম কয়া কয়া লৈ
কল্লবা তুরেলগী ঈচেল কয়াসু লৈ
মদুগী থিংবীনবা কয়াসু লৈ
সমুদ্রগী ঈথকসু হন্থবা নাই
কোরৌ মাগী মশেক মঙাল
ফংদবা মালেমদা নোংমতা য়াওদে।
চৎলি, চৎলি থম্মোয়সিদা
য়ানীংদা য়ানীংদা পূন্নমক পুদুনা
করিনো খঙদবা লীচিং অমদা
নীংথিরবা চীংমায়দা অঙাংবা ঈতনা
চেন্থরি মফম খুদিং য়েংলুবদা
ককথৎলি মতুপ-মতুপ ইচায় চায়রি
অহিং খুদিং কপ্পি, লাউরি, খোংলি।
কনানসু থিগৎলুদে মরীক চুম্বা ৱাফম মসিগী
পঙকপ্তা কপ্পি, তেংথারি অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা
মতোম-মতোমতা মুরুম-মুরুম শোন্নরি
করিনো তৌরিবসিবু মঙলা? তইবঙলা?
ঐখোয়বু অসুম্না কয়াম কুইনা হিংখিনি!
লৈতাদে কনাসু, লৈতাদে, অঙকপা অমনি।
অদুবু, চৎপা তাবনি, থম্মোয়সিনা য়ানীংদনা।

মতম মতমগী ৱাখল

লম্ফেলপাৎকী কোম্বীরৈ (কোনবীলৈ) লৈবু নৌনা শকখঙবীরকপা

‘কোম্বীরৈ’ লৈ অসিগী মিং তাদবা কনাবু লৈরমগদগে? লমদমসিগী মীয়াম্না কোম্বীরৈ (কোনবীলৈ) লৈগী মমিংসি তানরে। চৈরাউবসু কুইদ্রে, মথং থাদা লাক্লগনি। লৈ অসিগী মরমদা মী অয়াম্বনা মমিং তাজবতনি কৃপ্পা খঙবীদে । মীওই চাম্মগী মনুংদা মরিফু তারানা (৯০%) লৈ অসিগী মরমদা খঙবীদে। চৈরাউবদা কৎনরি। অশাৎপা লৈ ফংদ্রবা ফাওবদা মনা মকা অমত্তা ওইরবসু য়াওনা কৎনরি । মরম খঙনদে, হংনদে, থিনদে ।

ঙল্লিঙৈগী মতমদা পেনা অশৈবশিং, খুল্লং ঈশৈ অমদি খোংজোম পর্ব্ব শকপা, শকপীশিংনদি লৈরোন ঈশৈনি হায়দুনা তোঙান তোঙান্না কোম্বীরৈবু শৈথাদুনা শকপীরমখি। কোম্বীরৈ লৈ অসিগী ৱারী, লৈশক লৈচু, ঈশৈ ওইনা শৈথাদুনা শক্লখিবা অদুসু মীপুম খুদিংমক্না তাবীখিবা নত্তে। ঈশৈবু পামজবা খরতনা তাবীবগী ৱাতনি। লৈরোন ঈশৈগী মরমদা থিজিনবা মীসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা খুৎ থেকপদা মশীং থীবা য়ারি। ঈশৈ ময়েক ওইনা ইদুনা লৈহৌবদি খরদি ফংলে অদুগা কোম্বীরৈবু শৈথাদুনা শকখিবা পেনা ঈশৈ, খুল্লং ইশৈ, খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্তা ঈশৈ ওইনা শকখিবা লৈরোন ঈশৈগী শৈশক শৈদাদি ফংবদা ৱানা থোক্লি। লৈরোন অমদি লৈরোন তেংথাদা কোম্বীরৈ লৈ অসিগী মশক মওং অমদি লৈ অসিগী ৱারী ৱাখোং তাকপদা অমোম খোংনাং (ৱাংঙু খোংনাং)না অসুম্না শৈথাবীরম্মী।-“ শিংঙেন মাদি কনানো, তাইবংপুংগী লৈরাং নত্তে, খম্মুং পুংগী লৈরাংনি। লৈনুং থোংঙারেন অরীবগী মশানৌ তালোই অতোম্বী, কোলোই মীংলেন্না ফজবী খমনুং য়াইদিং কোলোইবী..।” অসি হায়না খোংজেম পর্ব্ব শৈশক্তা কোম্বীরৈগী শৈথাবদা ৱারী ঈশৈ ওইনা শকপীখি। কোম্বীরৈনা য়ারল পাৎতা শাৎপা পামদবা, লম্ফেল পাৎতা শাৎচনীংবগী ৱারী অসি শাংনা শৈথারি । য়ারল পাৎতগী লম্ফেল পাৎতনা হেন্না পামখিবসি ঈশৈ ৱারী ওইনা শক্লরক্লিবা অসিগী মরম লৈফম থোকই। অতৈ পাৎকী মফমদা মুৎখ্রগা লম্ফেল পাৎতা কোম্বীরৈ লৈ অসিগী চান্নজবা মফম্নি হায়না শৈথাবা (ওরেল লিটরেচর) চিনবুং ৱারী ঈশৈ খরা করিগুম্বা থৌরম খরদা লমজাও তোম্বা (মাইবম তোম্বা) অমদি খুমন্থেম সুন্দরিনা শকখিবা লৈখি।

ombirei (Iris laevigata Fisch)- I

হৌজিক্কী মতমদা,লৈ থাবা পামজবশিংনা লমদমসিদা কোম্বীরৈনি হায়দুনা গল্লাদা, করিদা কনাগুম্বনা থানবসু য়াম্না উই । থানরিবা শাৎনরিবা অদুদি চৈরাউবদা কৎনদে । ময়াম্না, হৌজিক্কী মতম ঈশৈ ওইনা, কোম্বীরৈবু শৈথাবদা শকপা তানরিবসি অনীনি। য়ারল পাৎকী কোম্বীরৈ হায়রগা শৈথাবা অমগা লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈ হায়না শৈথাবা অমগা অনীসিনা মরুওইনা খঙনরকই। য়ারল পাৎকা, লম্ফেল পাৎকা অনী অসিসু মী অয়াম্বনা য়ারল পাৎকী কোম্বীরৈনা হেন্না খঙনবগুম তৌই। য়ারলসু লম্ফেলসু পাৎ ঙাক্তনি। মণিপুর অসি পাৎ য়াম্না লৈরম্মী। কোম্বীরৈনা হৌবদি ঙল্লিঙৈদা পাৎ অতৈদসু হৌরম্বা য়াই অদুবু লোক্তাক্ পাৎকী মপান অমদি খরুং পাৎ, ইকোপ পাৎনচিংবা মফমদসু হৌরম্বগী ৱারী-শীংবুলদি পেনা শকপা অহল লমনশিংনা তাকপীরম্মী। থিজিনবা ৱাৎপনসু ওইগনি খল্লি হৌজিকসু লমদমসিগী মখা মাইকৈদা, লোক্তাক পাৎকা শম্নবা মফমশিং, খরুং পাৎকা শম্নবা মফমশিং, কাচিন কোয়াদা কোম্বীরৈ লৈ অসি হৌরম্বসু য়ারি। কোম্বীরৈ লৈ অসি, ঙসিগী মীয়াম্না য়ারল পাৎতা হেন্না খঙনদুনা হায়নবগী মরমদি, মীয়াম্না তানখিবা ঈশৈদগীসু ওইবা য়াই।

এন.এস ফিল্মসনা ‘কোম্বীরৈ’ হায়বা মণিপুরী ফিল্ম অমা পুথোক্লবগীদমক, কুমশীং ১৯৭৫দা গ্রামোফোন কম্পানি ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ অসিদা, ঈশৈ মরী য়াওবা রেকোর্দ অমা ৩৩ আর. পি এমদা নমখি। ঈশৈ মরীমক অসি কোনসবা ইবোচৌনা ময়েক ইবীরগা, অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা মিউজিক দিরেক্সন পীখিবনি। গ্রামোফোন ঈশৈ অসিগী অনীশুবা মমায় নাকনগী অহানবদা,চোংথাম কমলা অমদি খুন জয়কুমার অনীনা পূন্না শক্লি- “কোম্বীরৈ, য়ারল পাৎকী কোম্বীরৈ, মোমোন নোক্লিয়ে পাউখোং চল্লিয়ে। করি পাউখোংনো চল্লিনো । লাংওন খুদিং,মপোক খুদিং নঙগা ঐগা কায়ননু হায়রি ।।”

ঈশৈ অসি মীয়াম্না মতম অমা থৌদোক ৱাথোক্তা, মাইক খোঙনরিঙৈগী মতমদগী তারকপদুনা ঙসি ফাওবা তানরকখি। চিনফা পুনরি। ফজবা নুংশিবা ঈশৈ অমা ওইবনা,মীপুম খুদিংগী চিনদা কাওবা ঙমদনা ঙঙনদুনা লৈনবা ঈশৈ অমা ওইরি। ফিল্মগীদমক শৈরেংখিবা, শকখিবা ঈশৈ ওইবনা, কোম্বীরৈগী মরমদা হেন্না শৈথাবা থোইনা য়াওখিদে। লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈবু শৈথাদুনা নীংথিনা শকখিবদি ঙল্লিঙৈগী মতম অমা, ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালদা নান্দেবম শুশিল্লা, মোইরাংথেম টিকেন অমদি শমুরাইলাৎপম সনাতোন শর্ম্ম হায়রিবা রেডিওগী শৈশকপশিং অসিনি। ঈশৈ অদু ঙসি মীয়াম্না কাওথোক্লখ্রে । নান্দেবম শুশিল্লানা শকপীখিবদি-“লম্ফেল নৱা কোম্বীরৈ, হায়নবদায় লৈনুংশি। লৈরাং লৈশক উদনা মাঙখিদৌবা পাম্মুইদা। ষনশেন নহানা চিন্নরৈ, শজিবু চৈরাওবা য়াওনরৈ, নুংশি শৈরোন্না শিংথালৈ, নুরা থৱায়না তাজবা লৈ, লৈরাং লৈশক তমদনা মাঙখিদৌবা পাম্মুইদা।, য়ারল পাৎতা শাৎপী লৈ, লম্ফেল পাৎতা ওংবী লৈ, নুরা পেমচাগী খুৎথা লৈ.. মীরাইবীরৈ খল্লদুনা, লৈনা নঙগী লোৎশিল্লবোই, মৈতৈ অশৈবা লাক্তরে, কান্নদরে খল্লবোই, লৈরাং নঙবু ঙাইখোনো।”অসিনি। মথংদা, শমুরাইলাৎপম সনাতোন শর্ম্মনা অমুক অসুম্না শৈথাদুনা শকপীখি- “লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈ, সহরগী অমম্বা গল্লিদা, লোন্না চিক্লা ঙাল্লরে, নশাবী কনাবু ঙাইরিবা..। মোইরাংথেম টিকেননা শকপীখিবা ঈশৈসু লৈরি । শৈশকপা শৈশকপী অহুম অসিদংদি ঙল্লিঙৈদেগী লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈবু শৈথাবীরকখি ।

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি- অসুম্না মরক মরক্তা ঈশৈ ওইনা খরা শকপা, চৈরাওবা মতম লাক্লগনা লাইদা কৎপগী খরা নীংশিংবা অসি নত্তনা, অতৈ মতমশিংদা কোম্বিরৈবু কনা অমত্তনা নীংশিংবীদে, শীংথাবীরক্তে। কোম্বীরৈগী মরমদা থিজিনবীবা মী লৈরম্মী । লৈবীরল্লিবসি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা থিজিনবনি, থোইদোক্লা নাৎকী মশক অমা ওইনা অমদি নুংগী ওইবা ঈশৈগা মরী লৈনবা ৱাফম লোমদা চঙশিনবদি নৎখিদে। অদু ওইরগসু,কোম্বীরৈ লৈ অসিগী মরমদা মতমগা চান্নবা, মহৌশাগা মরি লৈনবা, অদুগা মালেমগী ওইনা লৈরিবা লৈ মখলশিংগী মনুংদা য়াওননবা হোৎনবিরকপগী থিজিনবীরকপা অসিমদি মীয়াম্না থাগৎফম থোকই। থিজিন-হোৎনবীদুনা থন্বীরল্লিবা অমদি মালেমগী লৈশিংগী মনুংদা য়াওহন্নবা হোৎনবীরিবসি অতৈ নত্তে, ডা.হুইদ্রোম বীরকুমার,Principal Scientist, Council of Scientific & Industrial Research Institute of Science & Tech. (NEIST),Imphal । ঙসিদগী চহী তারাগী মমাংদগী ডা. বীরকুমারনা লম্ফেলদা লৈবা ইপাথৌকোক্কী মশাইকোন্দা হৌরিবা কোম্বীরৈ লৈ অসিগী মরমদা কন্না থিজিনবীরকখিবনি। লন্দনদা লৈবা রোয়েল বোটানিকেল গার্দেনগী সাইন্টিষ্ট প্রোফেসর টোনি হোল দা চহী খরগী মমাংদা ডা. বীরকুমারনা লম্ফেলদা হৌরিবা কোম্বীরৈ লৈ মখল অসিগী মরমদা পাউ থাদুনা খঙহনবীখি। থিজিনবগী মতুংইন্না কোম্বীরৈ মখল অসি মালেমগী ওইনা মখল মচু তোঙান তোঙানবা ২২৫গী মথক্তা লৈ হায়রি। ভারত খক্তদা মখল ১৭ হৌইসু হায়রি। মণিপুরদা ফংনরিবা অয়াম্বা কোম্বীরৈদি লৈকংদা হৌই । ফংনরিবা কোম্বীরৈ মখল অসি কাঙলুপ অনীনি বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা Irish kamaonensis Wall Ex Don অমদি Irish Milesh Baker Ex Forst হায়না কৌই। মণিপুরগী উখুলদসু কোম্বীরৈ মখল Iris decorn wallich কৌবা অমা ফংই।

হৌজিক ফংনরিবা মখল ময়াম অসিগী মনুংদা লম্ফেলগী ইপাথৌকোক মশাইকোন্দা ঈশিংগী ফুমদিখক্তদা হৌদুনা লৈশাৎ তল্লিবা লৈ অসিদি য়াম্না তাঙনা ফংলিবা Iris Laevigata fisch কোম্বীরৈ লৈ মখল অদুনি হায়বসি ডা. হুইদ্রোম বীরকুমারনা থিজিনবীবদগী শাফোংখ্রে। শাফোংবা অসি চুম্মগী নত্তে ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পুথোকপা সাইন্টিফিক জর্নেলদা ফোংখ্রে অমদি ভারতকী মনা মশীং, পাম্বী,হৈ-লৈগী ওইবা ফ্লোরাগী লাইরিক্তা য়াওরে হায়বসি ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার মশানা মেডিয়াদা থোক্তুনা হায়বীখ্রে অমদি মরুওইবা নেস্নেল চেফোং কয়াদসু ফোংখিবা ঐখোয়না থেংনরি।

হৌজিক লাকচনীংলিবা ৱাফমদি, শকখঙবীরিবা অতাঙবা কোম্বীরৈ মখল অসি মুৎখিদনবা অমদি হিংহন্নবগী থবক লৌখৎপা অসিনি। কৈবুল লমজাওগী সঙাই, মণিপুরগী শগোল,মালেমগী অতাঙবা শা মখলশিংনি । মতীক চানা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবা ৱাৎপা , মখোয়বু ঙাকপী শেনবীবদা চঙলিবা কয়া অসি ৱাৎপনা, হিংহনবদা অৱাবা মায়োক্লরি। মতৌ অসুম্না হন্দক্তা মশক খঙবীখ্রবা অতাঙবা লমদমসিগী লম্ফেল পাৎকী কোম্বিরৈ অসিসু মদুগী মরাইবক ওইহনগদৌরিব্রা ? কুমশীং ২০২০-২১দা কোম্বীরৈ ফেষ্টিভেল লম্ফেলদা লন্নাই ওইনা পাংথোকপা হৌখি। মরম ময়াম অমনা মখা তাথবা ঙমখিদে। সঙাই ফেষ্টিভেল, সিরুই লিলি ফেষ্টিভেল ষ্টেটকী থাক্তা পাংথোকপগুম কোম্বীরৈ ফেষ্টিভেলসু পাংথোক্লবা, মরি লৈনবশিংনা শীনবীরগদি লম্ফোল পাৎকী কোম্বীরৈনা মোমোন নোক্লা, মকা ফন্না শাৎচবা ঙমগনি। মপাল লমগী লমকোইরকপশিং অমদি লমদমসিগী ফ্লোরা এন্দ ফৌনাগী মরমদা থিজিঞ্জরিবা স্কোলার, সাইন্টিষ্টশিংনা মখা তানা রিছার্চ তৌরকপদা হেন্না মতেঙ ওইগনি। ভারতকী ফ্লোরাগী লাইরিক্তা ১৮ শুবা মশীংদা লাচনখ্রিবসি অরায়বা নত্তে। মসিগী মমল ঐখোয়না খঙবীদ্রবা অমদি মসি য়ৌনা পুখৎপীরক্লবা হোৎনবীরিবা ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার, Principal Scientist,অমদি মহাক্কী কাঙবুগী মফমদা থাগৎ ৱাহৈ অমা ফাওবা থন্বীদবা তারগদি, নহালখৈ লৈখোং শেংজরুবগী কান্নবা লৈত্রে। শৈশকপা মোইরাংথেম টিকেন্না কোম্বীরৈ লৈ অসিবু শৈথাদুনা চান্দম স্যামাচরনগী ময়েক্তা, ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগীদমক শকচখি- “কোম্বীরৈ লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈ, লৈরাং লৈশাৎ উদবা, কোরৌ মশীং য়াল্লক্লে, লমলেন কৈদা শাৎখ্রবা, পোইরৈ কৈদা ঙানখ্রবা, নুংশি চৈনা পীগে খন্না, থম্মোয় লৈনা লোৎশিনব্রা? থম্মোয় মৈচাক হাপকে খন্না। কোম্বীরৈ লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈ ।”

- মাখোনমনি মোংসাবা

ৱারী ককনাউ

চুরুট মচৈ অমা

“কৈগীনো নঙনা ঙসি অসুক শাউনা লাক্লিসিবো? নহানমখৈ অমুক্তা অসুম্না নঙনা শাউবসি ঐ থেংনদ্রি। হায়যু করিগীনোবা নঙনা অসুক শাউরিসিবো? মরম চাদনা শাউবদু তল্লিকো”

“ঐনা শাউরিসে মরম য়াম্না চাই, মরম চাদুনা শাউরিনি। ঙসিদি ৱা চপ চানা ঙাঙনসি”।

“ঐদি নঙগী মওংসি য়াম্না তল্লক্কদৌরিবো?”

“নঙদি তল্লক্কদৌরিদবু হায়বনি, ঐদি নহান্না তল্লবনি”।

“ঙাইখো দা-খোগেন নঙনা হায়রি ময়ামসি করিনো হা?”

“ঐনা হায়রি ময়ামসে নঙ শোয়দনা খঙলকখিনি কো, ফম্মু খোংনাং মখোঙসিদা, সুম লেপ্পগা ৱা ঙাঙনবসি অউবা অমনা উরগা ফজদে। ফজনা ফম্মু”।

“ৱা ঙাঙবদা হায়নীংবদো দোং দোং হায়যু, মচেক্লে য়ৈরগা ময়ানা ফুব্দো তৌনগুমসি”। ইশৌ কন্না লাংলিবী মেমনাওবীদো ঙেক লাউনা ফমথরগা মমায়দু থোক লৈথোক্লগা মচিনদু ইপৈ পৈরগা মখূৎনা ফোয়রকপা নাপীদু পৎ পৎ লাউনা থৎলগা লৈরি। মাই মতৌদু খোগেননা য়েংলি। মপূক্লিংদবু খল্লি,

“ঐনা মেমনাওবীবু কোইরক্লিবসি চহী ১৫ হেল্লে। মাবু কায়নবসি ঐ খরদি ৱানিদা। অদুবু ঐনা হায়রিবা ৱাসিদা য়ারে ফরে, য়াদ্রে ঙসিদি কায়নরদৌনি”।

নাপি খুদাপ অমা থৎলগা করি ৱা হায়রক্কদগে হায়না ওইনরপ তৌনা ঙাইরিবী মেমনাওবীদু হন্দক্তি, খোগেননা ৱা অমত্তা হায়রক্তবদা হান্না শাউনীংলম্বগী চাংদগী ২০% হেন্না শাউবা হেনগৎলকই। মমিৎতুনা খোগেনদা ফল্লপ ফল্লপ য়েংলগা, মপূক্লিংদা খল্লি,

“ঐবু ফুক লাউনা হৌগৎলগা চৎখ্রসিরা? কৈনো মানা তৌজশারিসিবো? ঐ খোইদৌসি য়াম্না শাউগৎলকএদা”। থৌনা পূম্বা ফুদোক্তুনা হায়রকই।

“কৈনো হায়নেদো হায়রো, হায়রোইদবা ওইরগদি ঐ চৎলগে”

“নেভি কট তু কয়া পীরি?”

“কৈনো নেভি কট হায়দি? কনানো?”

“মী নত্তে, নতাৎ তৌরগা খঙজিন্নদবা তৌনু”

“মী নত্তবা, অদুদি করিনো?”

“মেমনাওবী ওইদবা ৱা ঙাঙগনু, নঙ চুরুট থকপী নৎত্রা?”

হন্দক্তি মেমনাওবীদু খাঙবা ঙমদখৈ ফাক ফাক নোকথোরক্লে। মাই মতৌদুদা খোগেনদি হান্না শাউরমদবা চাংদা শাওরকই।

“নোক্নু, নঙনা নোকইদু ঐবু উশিৎতবা মাল্লি’।

“কাইদৈনোহে, কাইদৈ উশিৎতবনো?”

“নঙনা চুরুট থকপগী ভিদিও অমা ঐঙোন্দা লৈ, য়েংগেরা চুরুট থকপী?”

“নঙনা মৈ হৌখৈ শাউরিদুদি অদুগী ওইরে, ঐদি ইপা পাখৎলুরে। হো ইবুংঙো অদুদি ঐ স্পোর্টস য়াওগে হায়না থকপা তম্বনি। ঐখোয় পাবগী ফুরিৎখাওদগী মচৈ অমা তূমিন্না হুরাল্লগা থকপা তম্বনি। অদুদা ঐখোয় ইনাওপিনা ভিদিও নমখিবনি। ইস মাদি নঙোন্দা ভিদিওদু থাজিল্লকইবা। মা খঙনি, হোরেন থিনধগে”।

“নৱা লৌদে, লৈশাবীনবু চুরুট থকপা, চুরুট থক্লগা স্পোর্টস য়াওনবনি গাইনা। চুরুট থকপবু করি স্পোর্টসনো হা?”

“দা-খোগেন, নঙসিদি য়াম পংঙিনা, হন্দক মমাঙগী য়াওশঙ স্পোর্টসতুদা লৈশাবীনা চুরুট থকপগী কম্পিটিসন তৌরিদুদি? মথংদি মৌগীসু শোয়দনা তৌরক্কনি। ঐনা নোইদা লৈরগা য়াওশঙ স্পোর্টসতা চুরুট থকপগী কম্পিটিসনদা ফর্ষ্ট তারদি নঙ হৱাওরোইদরা? লৈকায় মমাঙদা নমায়দু ফৌরামুক পাক্লোইদ্রা? অসুক য়াম্না পংঙিসিবু কৈনোনে মসি নুপাসিবো? স্পোর্টস য়াওগে হায়বগী থাগৎকেদি হায়দ্রগা।”

মেমনাওবীগী ৱাদু তাবদা খোগেন মমিৎ মনা চপ য়ুংখ্রে। মানা শাউরিসিদি মেমনাওবীদি কয়াবু লাল্লমদ্রেনে। হোই চুরুট হেক থকপদুগীবুদি লাল্লিকো। অদুবু মদুগী ৱাখল পীরিবদি খুন্নাইসিনি। য়াওশঙ স্পোর্টসপু শলাক শাহন্নবা চুরুট থকপগী কম্পিটিসন শিনবীরিবা ওজাশিং অদুনি। মোইগী ৱাখলদুদি শাথীনা ফৈজৈ চৎলে। য়াম্না লাল্লি। শাথীনা লাল্লি। খরা লৈরদি খোঙ হাম্বা থুবগী কম্পিটিসন তৌরক্লদি কমদৌবা? মেমনাওবীদি মখা তারি।

“মৌগী মীৎ ফিনা পুনশিল্লগা ঙানু ফাবী, লৈশাবীগীসু ঙানু ফাবী কম্পিটিসন তৌরিদুদি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা হৱায় মঙ্গল হৈদোক্লগা য়াম্না খুনবা তান্নরিদুদি। মদো স্পোর্টস নত্তে হায়দুইরা? নোইগী লমজেল চেনবী, বোল শান্নবীগাইদুদি তৌবু তৌনদ্রে, চাক থোংবা থুবা অমদি হাওবা তান্নবী, মতৈ-মনাও দান্স তৌবা তান্নবী, পাফোর চাবা থুবা অদুগা তাহন্দবী তান্নবী, য়াম্না লৈখ্রেদা। মদু য়াওগে হায়দনা ঐদি পাবগী ফুরিৎখাওদগী চুরুট মচৈ অমা হুরাল্লগা থকপা তম্মীবনি কৈনো?”

“মেমনাওবী য়ারে তোক্লসি। মতুং মনাওদি চুরুট থকপা য়ারোই। কম্পিটিসন য়াওবসু য়ারোই। ঐদি নঙ ঙসি কায়নরগে হায়দুনা লাকপনি। অদুবু ফরে নঙনা শেংনা হায়বসিদা ঐ পেল্লে। মতুংদদি থকপা য়ারোইকো!”

“ইস! ঐনা চুরুট মচৈ অমখক থকপগী চহী ১৫ হেন্না নুংশিরক্লবসিবু কায়ননি গাইনা, নৱা লৌদে হায়সিনি। ঐ নঙসি য়াম্না চিংনবা অমা য়াওরক্লেবো। কৈনোমা তৌবৈসু কায়নবগাইনা য়াম্না পল্লি। কান্নদে, ঙসি ঐ নঙোন্দা চেন্দবা য়াদ্রে। অদু ওইরদি কায়নদ্রেদনা। হৌগৎলো চেল্লসি”।

মেমনাওবীনা ফুক লাউনা হৌগৎলগা খোগেনগী মখূৎ পায়দুনা চিংখৎলি।

“কৈনোনে মেমনাওবী? কোন্না চেনসি মতম চাদ্রিনে”?

“চারে, সিদৈ হেল্লদি শোয়নরনি। ঙসি নুমিৎসু ফৈ চেলহৌরসি”। মেমনাওবীনা চিংঙি।

“ঙাইখোনে ঙাইখোনে, থাদোকউনে, সে থাদোকও হায়বনিনে, মেমনাওবী”।

ঙাওনা ঙাওনা মেমনাওবীনা খোগেনবু মশানা য়াদবা ষণ চিংদুনা পুবদৌনা অদুম পুখ্রে।

— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা’
(নিংথৌরোল লম্বুবা)-(১১১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লাংমৈদোং তুনিংথৌ লৈথেৎনা। শামল উপাল কাদোং লম। লাংমৈ তুনিংথৌ মকে শেমনা। লৈতেং হেনমোই লম। পাশি মরৈবাক লমদা। লোইদাম থামা হৌখিবনা মপুংফা। ওননা ওননা চহী শিংথা ওই। লাংহৈ চহী কুমবু ওন। হাওশী তিংথৌ মতাং মথং হাপকুম। মালশং মনা পাক। ৱাইরি শললম লমবী ফুল। থাঙয়ী লোসমোম ফৌবু তাঙ। লৌরোক অঙল ফৌ। পাখং খোঙলোই হৌ। ফৌবোল খুৎৱাই থোং। নুপী খোংবু শামন (উমখল অমা) তোমথিল থেৎ। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -(꯱꯱꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯅꯤ꯫)

ꯂꯥꯡꯃꯩꯗꯣꯡ ꯇꯨꯅꯤꯡꯊꯧ ꯂꯩꯊꯦꯠꯅꯥ꯫ ꯁꯥꯃꯜ ꯎꯄꯥꯜ ꯀꯥꯗꯣꯡ ꯂꯝ꯫ ꯂꯥꯡꯃꯩ ꯇꯨꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯀꯦ ꯁꯦꯝꯅꯥ꯫ ꯂꯩꯇꯦꯡ ꯍꯦꯟꯃꯣꯏ ꯂꯝ꯫ ꯄꯥꯁꯤ ꯃꯔꯩꯕꯥꯛ ꯂꯝꯗꯥ꯫ ꯂꯣꯏꯗꯥꯝ ꯊꯥꯃꯥ ꯍꯧꯈꯤꯕꯅꯥ ꯃꯄꯨꯡꯐꯥ꯫ ꯑꯣꯟꯅꯥ ꯑꯣꯟꯅꯥ ꯆꯍꯤ ꯁꯤꯡꯊꯥ ꯑꯣꯏ꯫ ꯂꯥꯡꯍꯩ ꯆꯍꯤ ꯀꯨꯝꯕꯨ ꯑꯣꯟ꯫ ꯍꯥꯎꯁꯤ ꯇꯤꯡꯊꯧ ꯃꯇꯥꯡ ꯃꯊꯪ ꯍꯥꯞꯀꯨꯝ꯫ ꯃꯥꯂꯁꯪ ꯃꯅꯥ ꯄꯥꯛ꯫ ꯋꯥꯏꯔꯤ ꯁꯂꯂꯝ ꯂꯝꯕꯤ ꯐꯨꯜ꯫ ꯊꯥꯡꯋꯥꯏ ꯂꯣꯁꯃꯣꯝ ꯐꯧꯕꯨ ꯇꯥꯡ꯫ ꯂꯧꯔꯣꯛ ꯑꯉꯣꯜ ꯐꯧ꯫ ꯄꯥꯈꯪ ꯈꯣꯡꯂꯣꯏ ꯍꯧ꯫ ꯐꯧꯕꯣꯜ ꯈꯨꯠꯋꯥꯏ ꯊꯣꯡ꯫ ꯅꯨꯄꯤ ꯈꯣꯡꯕꯨ ꯁꯥꯃꯟ (ꯎꯃꯈꯜ ꯑꯃꯥ) ꯇꯣꯃꯊꯤꯜ ꯊꯦꯠ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।